# কুমজা ১৯৬১দা মণিপুর এদমিনিষ্ট্রেসন, এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী মখাদা পাঙথোকপা ওল মণিপুর এক্বাটিক স্পোর্টস মিটতা ঐহাক স্বিমিংগী আইটেম অনীদা ফর্স্ত তাজরকখি



ক্ষেত্রি য়াইমা
*ভেটরান স্বিমর*

(*ঙরাংগী মখা*)

মহৌশাদগী কোংবা মায়কৈসিদি অচৌবা পুখ্রি খরা অদুম লৈরকখি। অদুনা তোঙান-তোঙানবা শাজেন তৌবগীদি থোইদোক্লা নুংঙাইরকখি। ঐহাক্লা ঈশিংদা হিপ্পগী ফোম তানবা ট্রাই তৌরকখিবা মরু ওইবা পুখ্রিদি কোংবা নোংথোন লৈকাইরোমদা লৈরম্বা 'লৈরেন পুখ্রি' হায়রিবসিদনি। ঈশিংদা হিপ্পগা মতম শাংনা লৈবা, ইশাসি ঈশিংদা তাওরগা সুম লৈহনবসি অহানবদা পাক তাদে। মদুগী চপ চাবা মওংদু তানবা হোৎনবদা চাউরাক্লা থা অহুমলোমদি চঙখি। তশেংনা হায়জরগদি মদু অচৌবা শাজেন অমনি। নুমিৎ খুদিংগী সুম হোৎনবসিদা অহানবদা খুউ তাউখৎহনবা ঙম্লকখি। মথংদা খুদোন, অদুদগী খুৎ কারন চন্দুনা বেলেন্স তৌরবা মতুংদা ফজনা হিপ্পা ঙম্লকখি। থৌরি অমনা ইশা পুন্বা পুল্লগা থাদরবসু ঐহাক অদুমক তাউখৎপা ঙম্মী। মদু হৈজরকপদগীনি ঐনা পুখ্রিদা হীপ্লগা কুইনা কুইনা লৈবদা মীয়াম্না কুক্নে ওইনা য়েংনখিবসিদি। তশেংনা নুংঙাই মতমদু, নহাসু ওইরিবা মতমনিনা নোংঙানবদগী নুমিদাংৱাইরম ফাওবা ঈশিংদা শান্নদুনা লৈবদু অৱাবা অমত্তা ফাওখিদে।

অমরোমদা, ঐহাকসি শান্ন-খোৎনবদা য়াম্নমক ষ্টার চুম্বা হায়বদুদি ওইরক্তে। করিসু নত্তবা থৌদোক মচা মচা খরনা অপনবা পীদুনা হেক হেক নাথৈবা অদুগুম্বা মতাং খরসু লৈখি। কুমজা ১৯৫৯দা স্কুল গেমসকী বোম্বেদগা চৎখিবদু ঐহাকসু য়াওবা য়াবগী খুদোংচাবদি অদুম লৈখিবনি। ঐখোয় মতমদদি নেসনল স্কুল গেমসকী চৎপসি স্পোর্টস ইভেন্ট ময়ামগী অপুনবা শান্নরোয় ১২০/১৩০ হেন্না চৎলি।

অদুগা, মণিপুরদা পাঙথোক্লম্বা স্পোর্টস মিটশিং অসিসু হান্নদি এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী মখাদা ওইনালোইনা তৌরম্মী। মণিপুরসি ষ্টেটহুদসু ফঙদ্রিবা মতম ওইবনা ঐখোয়দা পীবিরকপা স্পোর্টসকী সার্টিফিকেটশিং অসিগী মথক্তা মণিপুর এদমিনিষ্ট্রেসন, এদুকেসন দিপার্টমেন্টনা ওর্গনাইজ তৌদুনা শীনবা ওল মণিপুর এক্বাটিক স্পোর্টস মিট..... হায়না লোইনা থাই। ঐখোয়না কন্না শান্নজরম্বা মতমদা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর ওইনা পুবিরম্বসিনা এস দি বহুগ্রনানি। অদুনা থৌরম অয়াম্বদা মহাকসু চিথবা লৈতনা য়াওবীরকখি। কুমজা ১৯৬১গী ওক্টোবর ৪দগী ৮ ফাওবা কোংবা বজারদা লৈবা স্বিমিং পুলদা তৌখিবা 'ওল মণিপুর এক্বাটিক স্পোর্টস মিট' অসিদসু ঐহাক মিটর ১০০গী ব্রেস ষ্ট্রোক, মিটর ২০০গী ফ্রি ষ্টাইলদসু ৱিন্নর লৌবা ঙমজরকখি।

ঐহাক্লা ঈশিংগী ওইবা মশান্নদা অরোইবা ওইনা শরুক য়াজখিবসিনা মণিপুরদা কুমজা ১৯৬২গী ওক্টোবর ৭তগীনা ১১ ফাওবা পাঙথোকখিবা 'নিপাল শুবা নেসনল স্কুল গেমস' অসিনি। মসিগী মতুংদগীদি ভোল্লিবোলসিদা অমুক তকখায়দুনা শান্নজরকখি। কুমজা ১৯৬৩দা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা



**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**অকাউ-পরৈ চল্লুরবশিং**

'সেকেন্দ ইষ্টর্ন গেমস'তা ঐখোয় লৈকাইদা লৈরম্বা ই ৱাই সি হায়বা ক্লবতগী থোক্তুনা শান্নবদা ঐখোয়গী টিমনা ভোল্লিবোলদা ৱিন্নর লৌরকখি। কোংবরোমদা ভোল্লিবোল মশান্না হৌদোরকপা মতমদসু ঐখোয়না মাঙজিল থাদুনা হোনজরকখি। শান্ন-খোৎনবসি ইশানা পামজবনিনা ঐখোয় থৱায় য়াওবা খরা খোমজিল্লগা শান্নবদা হেক্তা টিম ফাই। মহৌশা ঐখোয় মতমসিদদি ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন হায়রগা মফমসিসু য়াম্না চাউনা কোল্লম্মী। ইষ্টর্ন গ্রাউন্দদা চহী খুদিংগী চাং নাইনা পাঙথোক্লম্বা 'ইষ্টর্ন গেমস' হায়রিবসিসু, য়াম্না চাউনা চাউনা মপুং ফানা তৌরম্মী। ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নগী মনুং চন্না লৈবা ক্লব ময়ামসিগী শান্নরোয়সিসু ওন্থোক্লা য়ামখ্রপোৎনি। স্পোর্টস আইটেম ময়ামসিগী কম্পিটিসনগসি অহল-লমনশিংনা য়াম চেকশিন্না তৌই।

অদুগা, ৱাটর পোলো হৌরকপগী মতাংসিমসু য়াম্না নুংঙাইবা ৱারী কয়া লৈরি। মপান্দা শান্নবা চৎলুবদা ঐখোয়না পুজরকখিবা ৱাটর পোলোগী বুকলেটতু লাইরিক-লাইশু হৈবা, স্পোর্টস থৱায় য়াওবা ময়ামসিদা পাহল্লগা গেম মখলসি পাঙথোক্লনবা কন্না হোৎনরকখি। কোংবদা লৈবা ক্লব অহুম-মরি অমনে, নিংথেম পুখ্রি মপান্দগী অমনে পুন্না ক্লব মঙারোম্না তৌরগা ৱাটর পোলোসি শান্নবা হৌরকখিবনি। স্পোর্টসতি থৱায় য়াম্না য়াওজবা, মমানা পোকপদগী ঈশিংদা অমুক ফাওবা ঈরোইরক্তবা, বোলসু শান্নরক্তবা অথোকপম গৌরবিধুগা, ওজা মুনানগা মখোয় অনীনা ইহান হান্না ৱাটর পোলোগী জর্জ ওইহল্লগা ৱাটর পোলোগী টুর্নামেন্টসি পাঙথোরকখিবনি। য়াম্না ৱানা গেমসি হৌদোরকখিবনি। বুটলেটতুদা ফজা ফজনা করম্না শান্নগনি হায়বসি য়াম্না মচা খায়না শুগায়না তাক্লকপনিনা রুলগদু ফজনা এপ্লাই তৌবসু ঙমখি। ঐহাক্লা নিংশিংজবদা, ৱাটর পোলো এসোসিয়েসনগী অহানবা প্রসিদেন্টসিনা কোংবা নোংথোন লৈকাইদগী পুখ্রম্বম ইবোমচা (প্রধান ওইবীরম্বা)না ওইখি। ...*মথং মথং*...

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৯

১) খা কোরিয়া মচা অমনা ওলিম্পিক্কী সনাগী মেদল হেক ফংখিবগা অসুম্না হায়খি "ঐনা য়ুন অমসুং মহাক্কী ইমাদা ঙাকপীয়ু হায়রি। ঐগী সনাগী মেদল অসি মখোয়গা ঐগা পুন্না ফংমিন্নবনি"।
(ক) মসি কনানা হায়খিবনো? (খ) করি মরমগী হায়খিবনো?

২) মহাক য়ুরোপ মচানি, ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ননী, ফিল্মসু য়াওখি, কুমজা ১৯৯৮দা কার এক্সিদেন্টতা লৈখিদবদা মালেম পুম্বনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।



৩) ওলিম্পিক চেম্পিয়ন অমগী মেদল ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিনিনা মতম খরা লৈরগা লৌশিনখি। মরমদি মহাক প্রোফেস্নেল ওইনা শান্নবদা শরুক য়াই হায়বগী মরমদনি। মহাক শীরবা মতুংদা মহাক্কী মশুশিংদা মহাক্কী মেদল অদু অমুক শীন্নখি। মহাক কনানো?

৪) ঐহাকপু চেকশুবা নিপানি হায়দুনা ইংলেন্দগী থেমস তুরেন্দা হিয়াং তান্নবদা শরুক য়াহন্দে। ঐ ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ননি, ইচা নুপীনা লৈবাক অমগী মহারানিনি। ঐ কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৮কী পাউখুম

১) "ঐনা রোজর ফেদররবু মমীং লৈবা কোর্ট অসিদা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীবা পীরে' মসিনা ঐগী পুন্সিদা নীংশিংবা য়াবা থৌদোকশিংগী মনুংদা অমা ওইগনি। নাপী মথক্তা শান্নবা টেনিসতা খ্বাইদগী ফবা শান্নরোয়দি মহাকনি। মহাক ঐনা শান্নরিবা মশান্না অসিদা খ্বাইদগীসু হেন্না চম্পিয়ন ওইরিবনি। ৱাহৈশিং অসি কনানা হায়খিবগে? : JO-WILFRIED TSONGA

২) মহাক্লা হায় 'হৌজিক ঐহাক য়াম্না নুংঙাইনা পোত্থাবা ঙম্লনি'। হৌখিবা চহী ১২দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিকশিংদা মহাক্লা শরুক য়াবদা সনাগী মেদল ফংবা ঙমখিদে, লুপাগী মেদলশিংদি ফংখি। মহাক্লা সনাগী মেদল ফংখিবদা ৱাহৈশিং অসি হায়খিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং হায়য়ু।
: EUJENIO MONTI

৩) অহানবা অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট হোক্কি চেম্পিয়নশিপ কুমজা ১৯৫৭তা পাঙথোকখিবদা মণিপুরনা চেম্পিয়ন ওইখি। করম্বা মফমদা চেম্পিয়নশিপ অদু পাঙথোকখিবগে? : SHILLONG

৪) ৱিন্টর গেমস অমদা সনাগী মেদল অহুম ফংবা ঙমখিবী অহানবা নুপী অদু কনানো? : SONJA HENIE

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?? : ANJU BOBBY GEORGE

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ৯৮ গী পাউখুম ৩ চুম্না থাবীরকখিবদি**

১) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম, নোংমৈবুং সেরাম লৈরক। (৩)

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ -৯৮ গী ৱিন্নর**

অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম, নোংমৈবুং সেরাম লৈরক

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ৯৮গী মনা লাপ্তোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম
জুলাই ২১, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লাপ্তোকচগনি।

# টেনিস শান্নরোয় রোহন বোপনাদা স্পোর্টস মিনিষ্টরনা আর্জুনা এৱার্দ শীন্নখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৬ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা দবলসকী টেনিস শান্নরোয় রোহন বোপনানা ঙসি লৈবাক অসিগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুদগী আর্জুনা এৱার্দ ফংখ্রে।

মমাঙদা দবলসকী ৱর্ল্ড নম্বর ৩ থাক ফাওবা য়ৌবা ঙম্লম্লবা রোহন বোপনানা ফোঙদোকখিবদা আর্জুনা এৱার্দ ফংবা অদু মহাক্কী ওইনা য়াম্না নুংঙাইবা নুমিৎ অমা ওইখি। অদুবু মহাক্লা পাম্লম্বদি অতোপ্পা স্পোর্টস দিসিপ্লিনশিংগী আর্জুনা এৱার্দ ফংবা শান্নরোয়শিংগা পুন্না লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টতগী রাষ্ট্রপতি ভবনদা য়েন্থোকপা মতম অদুদা লৌবা পাম্লম্বনি হায়খি।

মহাক্লা মনা অদু আর্জুনা এৱার্দ লৌরবা মতুংদা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা শান্ননবু য়াম্না নুংশিজবা লৈবাক অসিগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুদগী মনা অদু লৌবদা ৱারী শান্নবা ফংখিবা অদু য়াম্না অপেনবা ওই হায়খি। বোপনানা রিজিজুগা মিনট ৪৫ রোম ৱারী শান্নখি। মদুদা কান্নবা কয়াসু খন্নখি হায়রি।

ঙসি নুপীগী ক্রিকেট শান্নরোয় স্মৃতি মন্ধানাসু কিরেন রিজিজুদগী আর্জুনা এৱার্দ লৌখি। বোপনানা লৈবাক অসিদা হৌগৎলক্লিবা নহাশিংদা মশান্না অসি পাম্নবগীদমক্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং য়াওবা ইন্টর্নেসনল টুর্নামেন্টশিং টেলিভিজনদা লাইভ কোভরেজ পীবা মতম ওইরে হায়খি।

# ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টনগী নুপাগী দবলসতা রানকি রেদি অমসুং চিরাক সেথি অমদি মিক্সতা সিকি রেদি অমসুং চোপ্রা ২শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে

জকর্টা, জুলাই ১৬ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দোনেসিগী কোনুং জকর্টাদা ঙসিদগী হৌখিবা ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলস কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী সাটৱিকসাইরাস রানকি রেদি অমসুং চিরাক সেথি অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে। মিক্স দবলসতসু ইন্দিয়াগী এন সিকি রেদি অমদি প্রনব জেরি চোপ্রা অহানবা রাউন্দ মায় পাকখ্রে।

নুপাগী দবলসতা সাটৱিকসাইরাস রানকি অমসুং চিরাক সেথিনা ঙসি অহানবা রাউন্দদা মলেসিয়াগী শান্নরোয় গো সি ফৈ অমসুং নুর ইজ্জুদ্দিনগা য়াম্না কনবা লম্বা অমদা পুং ১ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদু গেম ২-১দা থোইবা ঙমখি।

অহানবা গেম অদু ইন্দিয়াগী পেয়র অদুনা ২১-১৯দা থোইখি। মদুগী মতুং মলেসিয়াগী পেয়র অদুনা ফজরক্তুনা ২১-১৮দা ইন্দিয়াগী পেয়র অদুবু থোইরগা গেম অমমম মান্নরকখি। অহুমশুবা দিসাইদিং



গেম অদুদা ইন্দিয়াগী পেয়র অদুনা চেকশিন্না শান্নরকপদগী ২১-১৯দা থোইরগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

ইন্দিয়াগী পেয়র অদুনা অনীশুবা রাউন্দদা জপানগী পেয়র টাকুতো ইনকে অমসুং য়ুকি কানেকোবু ২০-২২, ২১-১৬, ২১-১৪দা থোইরম্বা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ১ পেয়র ওইরিবা ইন্দোনেসিয়াগী মার্কস ফর্নালদি গিদিওন অমদি কেবিন সঞ্জয়া সুকামুলজোগা লম্বা তৌনরগনি।

মিক্স দবলসকী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী পেয়র প্রনব জেরি চোপ্রা অমসুং এন সিকি রেদিনা অহানবা রাউন্দদা নেদর্লেন্দসকী পেয়র রোবিন টাবেলিং অমসুং সেলেনা পিএককা লম্বা তৌনবদা পুং ১গা মিনট ৪ চঙনা শান্নরবা মতুং গেম ২-১দা থোইরগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

মখোয়না অহানবা গেম অদু ২৫-২৩দা থোইবা ঙমখি। মদুগী মতুং অনীশুবা গেমদা নেদর্লেন্দসকী পেয়র অদুনা ২১-১৬দা থোইরবা মতুং দিসাইদিং গেম শান্নরকপদা ইন্দিয়াগী পেয়র অদুনা ২১-১৯দা থোইরগা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনাগী হি জি টিন অমসুং দু য়ে বু ২১-১৯, ২১-৮তা মায়থীবা পীরম্বা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ১ সিদেদ পেয়র অতোপ্পা চাইনাগী ঝেং সি ৱৈ অমদি হুৱাং য়া কিয়োংগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসতা ইন্দিয়াগী পেয়র অশ্বিনি পোনাপা অমসুং এন সিকি রেদিনা অহানবা রাউন্দদা মলেসিয়াগী ভিবিয়ান হু অমসুং য়াপ শেন ৱেনগা পুং ১.১৫ চঙনা শান্নখিবা অকনবা লম্বা অমদা ২০-২২, ২২-২০, ২০-২২দা মায়থীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদে।

নুপাগী সিঙ্গলসতা হয়েং ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ৩ অহানবা রাউন্দ মেচ শান্নগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা সিদেদ ওইরিবা কিদম্বী স্রিকান্তনা জপানগী কেন্তা নিসিমোটোগা লম্বা তৌনগনি। অতোপ্পা মেচ অমদা বি সাইপ্রনিথনা হোং কোংগী ৱোং ৱিং কী বিনসেন্টগা শান্নরবা মতুং অহুমশুবা মেচ অদুনা ঐচ এস প্রনোয়না টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ শান্নরোয় চাইনাগী সি য়ু কিগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচশিংদা ৱর্ল্ড নম্বর ১ জপানগী কেন্তো মোমোতানা মলেসিয়াগী লিয়ু দারেনবু ২২-২০, ২১-১৪দা মায়থীবা পীখি। মায় পাকখিবা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা চাইনাগী লিন দান, চাইনিজ টাইপৈকী চৌ তিয়ন চেন, ইন্দোনেসিয়াগী জোনাটন খৃষ্টি অমসুং লৈবাক অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় এন্তোনি সিনিসুকা গিনতিংসু য়াওরি।

# ইন্দিয়াগী রাজকনৱর, অদর্স অমসুং বিজয় বির সিধুনা আই এস এস এফ জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ পিষ্টোলগী টিম গোল্ড ফংখ্রে

সুল, জুলাই ১৬ (এজেন্সী)ঃ

জর্মনিগী সিটি সুলদা পাঙথোকপা আই এস এস এফ (ইন্টর্নেসনল সুট্টিং স্পোর্টস ফেদরেসন) জুনিয়র ৱর্ল্ড কপ ২০১৯গী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ২৫গী স্পোর্টস পিষ্টোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী সুট্টর রাজকনৱর সিংহ, আদর্স সিংহ অমসুং বিয়জবির সিধুনা টিম গোল্ড মেদল ফংখ্রে।

হায়রিবা ইভেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী রাজকনৱর সিংহনা পোইন্ট ৫৮২, আদর্স সিংহনা পোইন্ট ৫৭৮ অমসুং বিজয়বির সিধুনা পোইন্ট ৫৭৮ ফংলগা পুন্না পোইন্ট ১৭৩৮ ফংদুনা টিমগী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। মখোয়না চাইনাদগী পোইন্ট ১০ হেনখি।

ইভেন্ট অদুগী ইন্দিভিজ্যুল কেটগোরিদা চাইনাগী সুট্টর জিয়া কিনা পোইন্ট ৫৮৪ ফংলগা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। য়ুক্রেনগী য়ুরি কোলিসিঙ্কসু পোইন্ট ৫৮৪ ফংলগা সিলভর অদুগা জর্মনিগী ফ্লোরিয়ান পিটরনা পোইন্ট ৫৮৩ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। ইন্দিয়াগী রাজকনৱর



সিংহনা পোইন্ট ৫৮২ ফংলগা ৪শুবা তাহৌবনি।

জুনিয়র মেন্সকী মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইভেন্টকী ইন্দিভিজ্যুলদা রসিয়াগী গ্রিগোরি সমাকোবনা ফাইনেল রাউন্দদা পোইন্ট ২৫০ ফংলগা গোল্ড মেদল লৌখি। চাইনাগী সুট্টর ঝাং চাং হোংনা পোইন্ট ২৪১.১ ফংলগা সিলভর মেদল অদুগা অতোপ্পা চাইনাগী সুট্টর জু য়োনাননা পোইন্ট ২২৮.৬ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। ইভেন্ট অদুনা ইন্দিয়াগী সুট্টর রিদে হজারিকানা পোইন্ট ২০৭.৩ ফংলগা ৪শুবা পোজিসন তাখি।

ইভেন্ট অদুগী টিম কম্পিটিসনদা চাইনানা পুন্না পোইন্ট ১৮৭৭.৮ ফংলগা অনৌবা জুনিয়রগী ৱর্ল্ড রেকোর্দ থম্বগা লোয়ননা গোল্ড ফংখি। অদুগা ইন্দিয়াগী টিমনা পোইন্ট ১৮৭৭.৪ ফংলগা সিলভর মেদল ফংখি। হঙ্গেরিগী টিমনা পোইন্ট ১৮৭৭.১ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

নুপীগী জুনিয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা বলগেরিয়াগী মিনচেভানা গোল্ড, ফ্রান্সকী কেমিলিনা সিলভর অদুগা চাইনাগী জু সিয়িংনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

# কম্মনৱেথল টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী টিম অনীমক গ্রুপ 'বি'দা লৈখ্রে

কটক, জুলাই ১৬ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা হয়েংদগী কটক সিটিদা হৌগদৌরিবা কম্মনৱেথল টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী টিম অনীমক গ্রুপ 'বি'দা লৈখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপাগী টিমনা গ্রুপ 'বি'দা সিঙ্গাপোর অমসুং স্কোটলেন্দগা পুন্না লম্বা তৌগদৌরি। পনবা য়াবদি, ঙসি খক্তদা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগনি হায়না মমাঙদা তৌরম্বা ঘানা, গয়ানা অমসুং পাকিস্তান ৱিদ্রো তৌরকপদগী টুর্নামেন্ট অসি লৈবাক ১৭তগী ১২দা হন্থখি।

নুপাগী কম্পিটিসনদা গ্রুপ 'বি'দা ইন্দিয়ানা লম্বা তৌগদৌরিবা সিঙ্গাপোর ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা ৬১শুবা পোজিসনদা লৈরি। অদুগা স্কোটলেন্দনা ৯৪ শুবা পোজিসনদা লৈরিবনি।

নুপাগী কাংলুপ্তা ইংলেন্দনা ১০শুবা পোজিসনদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টিম ওইরবসু মখোয়গী মকোক থোংবা শান্নরোয়শিং অদু ইন্দিয়ানা



য়ুম্বু ওইরিবা কম্পিটিসন অসিদা থারক্তবনি।

নুপীগী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী টিম্না সাউথ অফ্রিকা অমসুং স্রি লঙ্কাগা লম্বা তৌনগদৌরি। ইন্দিয়াগী নুপীগী কাংলুপ্তা মালেমগী মকোক থোংবা নুপী শান্নরোয় ১০০গী মনুংদা লৈবা অমত্তা ঙাইরবা শান্নরোয় অদু মনিকা বত্রনি।

নুপাগী গ্রুপ 'এ'দা লৈরিবা টিমশিং অদুদি ইংলেন্দ, স্রি লঙ্কা অমসুং সাইপ্রসনি। গ্রুপ 'সি'দা নাইজেরিয়া, মলেসিয়া অমসুং বংলাদেশ লোয়ননা গ্রুপ 'দি'দা অষ্ট্রেলিয়া, সাউথ অফ্রিকা, অমসুং ৱেলসনি।

নুপীগী কাংলুপ্তা গ্রুপ 'এ'দা লৈরিবা টিমশিং অদুদি ইন্দিয়াগী অকনবা লম্বা ওইগদৌরিবা সিঙ্গাপোরগা লোয়ননা ৱেলস অমসুং স্কোটলেন্দনি। গ্রুপ 'সি'দা ওষ্ট্রেলিয়া, মলেসিয়া অমসুং সাইপ্রস লোয়ননা গ্রুপ 'দি'দা নাইজেরিয়া, ইংলেন্দ অমসুং বংলাদেশনি।

ঘনা অমসুং গয়ানানা মখোয় মখোয়গী লৈঙাক্কী ক্লিয়ারেন্স ফংখিদবনি। অদুগা পাকিস্তাননা ভিসাগী চয়েৎনবা লৈবদগীনি।